ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, মার্চ ২৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০০১শুবা মশীং

# নুপী অঙাংশিংদা এনিমিয়াগী চাং ৱাংলকপা

## সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট গোল ফংবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে

সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট গোলগী মতুংইন্না কুমজা ২০৩০ ফাওবদা মীপূম খুদিংমক অরাম-খৌরাংবগী মৈচাক কোকহল্লগনি হায়বা পান্দম থল্লি। অদুবু নেসনল ফেমিলি হেল্থ সর্ভেগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা নুপী-অঙাংশিং এনিমিয়া ওইবগী চাং ৱাংলে হায়রি। হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা টিস্যুশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়ৌহনবগী থৌদাং লৌরিবা রেদ ব্লদ সেল মশীং হন্থরকপগী থৌওংবু এনিমিয়া হায়না খঙনৈ। ওইহল্লকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না এনিমিয়াগী মখল কয়ামরুম লৈ। এপ্লাষ্টিক এনিমিয়া, আইরন দিফিসিয়ন্সি এনিমিয়া, সিকল সেল এনিমিয়া, থলাসিমিয়া অমসুং ভিটামিন দিফিসিয়ন্সি এনিমিয়া হায়বসিনা মরু ওইবা মখলশিংনি। ওইহল্লকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না লায়ওং উৎথোরকপসু খেন্নৈ। মরু ওইবা লায়ওংশিংদি হকচাং চোকথবা, শোনবা, কুচু তাইফেৎ তাইরকপা, হার্টকী মথৌ চাং নাইরক্তবা, ইতন-তন্থরক্তুনা উইনিংবা ফাওরকপা, চনিং তানা নিংশা-শ্বর হোনবা ঙম্লক্তবা, থবাক নারকপা, খোঙ-খূৎ ঈংশিল্লকপা অমসুং কোক চিকপা অসিনচিংবনি। হ্বাইট ব্লদ সেল, প্লেটিলেট অমসুং রেদ ব্লদ সেল হায়দুনা মীওইবগী হকচাংদা ব্লদ সেল মখল অহুম লৈ। হ্বাইট ব্লদ সেলনা তোঙান-তোঙানবা ইনফেক্সনশিং মায়োক্নবগী থৌদাং লৌই। হকচাংদা অশোক-অপন য়াওবদগী ঈ থোরকপদা প্লেটিলেটনা ঈ খকহনবদা মতেং পাংই অমসুং রেদ ব্লদ সেলনা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা ওক্সিজেন য়ৌহনবগী থৌদাং লৌই। হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী কার্বোন দাইওক্সাইদ পূম্নমক লংস য়ৌনা পুরকপগী থৌদাংসু লৌই। রেদ ব্লদ সেল য়াওনা ব্লদ সেল অয়াম্বা শরূ মনুংদা য়াওবা বোন মেরোদা চাং নাইনা শুংই। মীওইবনা চারিবা চিঞ্জাক্তগী হকচাংনা আইরন, ভিটামিন বি-১২, ফোলেট অমসুং অতৈ ন্যুত্রিয়ন্ট মখল খরা মরাং কায়না ফংবা ঙমদ্রবদি হিমোগ্লোবিন অমসুং রেদ ব্লদ সেল শুংবা ঙমদে। মতমদুদা এনিমিয়া ওইরকই। খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা মখলদি আইরন ৱাৎপদগী ওইরকপা 'আইরন দিফিসিয়ন্সি এনিমিয়া' নি। হকচাংদা আইরন মরাং কায়না য়াওরক্তবা মতমদা এনিমিয়া মখল অসি ওইরকই। বোন মেরোদা হিমোগ্লোবিন শুংনবগীদমক আইরন মথৌ তাই। আইরন মরাং কায়না য়াওদ্রবদি হকচাংনা রেদ ব্লদ সেলশিংগীদমক হিমোগ্লোবিন শুংবা ঙমদে।

মীরোনবী নুপী অয়াম্বা এনিমিয়াগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে। থাগী খোঙকাপ লাকপা, অলসর অমদি কেন্সরনসু ফীভম অসি ওইহল্লকই। কনাগুম্বনা চৈনাখোল ফাওদনবা পেন কিল্লর তোয়না শীজিন্নবা মতমদসু রেদ ব্লদ সেলশিং শিখিবদগী এনিমিয়া ওইরকই। নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা এয়র পোল্যুসননা মরম ওইরগা এনিমিয়া ওইহল্লকই হায়বা ৱাফম অসিনি। ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, দেল্লী (আই আই টি, দেল্লী) না চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না চহী মঙা শুদ্রিবা অঙাংদা এনিমিয়া ওইরকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। নেসনল ফেমিলি হেল্থ সর্ভেগী রিপোর্টতসু লৈবাক অসিগী অঙাং অয়াম্বা মালন্যুত্রিশন অমদি এনিমিয়াগী চাং ৱাংলে হায়রি। রিপোর্ট অসিনা হায়, লৈবাক অসিগী অঙাং চাদা ৬৮.৪ অমসুং নুপী চাদা ৬৬.৪ এনিমিয়া লায়নানা নারে। মণিপুর, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অন্দমান এন্দ নিকোবার আইলেন্দ, দাদ্রা এন্দ নগর হবেলি এন্দ দামন এন্দ দিয়ু, মেঘালয়া, হিমাচল প্রদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ, বিহার, উত্তর প্রদেশ, চান্দিগর অমদি ঝরখন্দনচিংবা মফম অয়াম্বদা এনিমিয়াগী চাং ৱাংলি। গ্লোবেল ন্যুত্রিসন সর্ভেগী রিপোর্ট মতুংইন্না মালেমগী লৈবাক ১৮০গী মনুংদা এনিমিয়াগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবদা ইন্দিয়ানা ১৭০শুবদা লৈরি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না হায়, অঙাং উনবা য়াবগী চহী মতাংদা নৌরিবা নুপীশিংদা ঈ দেসিমিটর অমদা হিমোগ্লোবিন গ্রাম ১২ য়ৌনা য়াওদ্রবদি এনিমিক ওইরে। চহী মঙা শুদ্রিবা অঙাংশিংদনা ঈ দেসিলিটর অমদা হিমোগ্লোবিন গ্রাম ১১ য়ৌনা য়াওদ্রবদি এনিমিয়ানা নারে হায়না লৌগনি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা মীপূম খুদিংমক অরাম খৌরাংবগী মৈচাক কোকহনবগা লোয়ননা মশা মউ ফনা লৈহল্লগনি হায়বা লৈঙাক্কী সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট গোল থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বদু চিংননীংঙাই ওইবা ফীভম অমদা লাক্লে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১) "ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা "শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?

৩) "শৈরেং ৱারেং শিংজু" হায়বসিগী অইবা কনানো?

৪) "সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম" হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?

৫) "থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোত্থাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।" কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মায়থোঙ অনী লোঙবা আর ও এস : মীবুসু মাঙহনবা, মীবুসু কনবীবা

সাইন্সকী খোঙচৎ
কুঞ্জো নাওরেম

নুংশিৎতা পার্টিকুলেট মেটর হায়না খঙনবা পোৎশক কয়ামুক য়াওই অমসুং মখোয়না মীওইবগী হকচাং শোকহল্লি হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মাইক্রোমিটর তরাগী খ্বাইদগী চাউরবা দাইএমিটর ওইবা পার্টিকলশিংনা থবোন্থীগী টিস্যুগী মনুং হঞ্জিন্না ফাওজিন্দুনা চঙবা ঙম্মী। মখোয়দা থবোন্থীগী সেলশিংবু মাঙ-তাকহনবা ঙম্বা, ওক্সিজেন রেদিকেল হায়রগসু খঙনবা, 'রিএক্টিভ ওক্সিজেন স্পেসিস' (আর ও এস) শিং য়াওরি। নুংশিৎতা অসিগুম্বা পার্টিকলশিংগী চাং হেন্না য়াওরগা হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওই। পার্টিকলশিংসি উমং নৎত্রগা ভোলকেনোগুম্বা মহৌশাগী ওইবা হৌরকফমশিংদগী থাদোরকপনি। অদুবু ফেক্টরিশিং অমসুং লম্বীদা চেল্লিবা গাড়ীশিংগুম্বা মীওইবনা পাঙথোকপা থবকশিংদগী চঙলকপশিংনা হেনগৎহন্দুনা কুংবগী চাংগী ক্রিটিকেল লেভেল অমা য়ৌরকই। পার্টিকুলেটশিংনা ওক্সিজেন রেদিকেলশিংবু থবোন্থীদা পুশিন-খিবা অমসুং থবোন্থীদা শুংলুবগী মতিক মগুনশিংগী মতাংদা হান্ননা তোঙান-তোঙানবা হৌরকফমশিংদগী ফংলকখিবা পার্টিকুলেটশিংদা নৈনখ্রে। অদুগা হৌজিক্না অমুক Paul Scherrer Institute (পি এস আই) থিজিন-লূপ অমনা হেন্না কুপথনা খঙবা ঙমহল্লে হায়না 'নেচর কম্যুনিকেসন্স' (মার্চ ১৯, ২০২১) দা ফোঙদোরক্লি।

পার্টিকুলেট মেট্টরশিংনা শ্বর হোনবগী লম্বীগী লৈমায়দা লৈরিবা মহীদা তুমখিবা মতমদা আর ও এস খরা শেম্লকই হায়বসি হান্না থিজিনখিবদগী খঙবা ঙমখ্রে। পার্টিকুলেটশিংদা মহৌশানা কোরি অমসুং য়োৎকুম্বা ধাতুশিং, লোয়ন-লোয়ননা ওর্গানিক কম্পাউন্দ খরা য়াওই। মখোয়সিনা অতোপ্পা মোলিক্যুলশিংগা ওক্সিজেন এটমশিং পীথোক-পীশিন তৌনৈ অমসুং হায়দ্রোজেন পেরোক্সাইদ, হায়দ্রোক্সিল অমসুং হায়দ্রোপেরোক্সিলগুম্বা 'ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস' থোকহনবা ঙম্বা রিএক্টিভ কম্পাউন্দশিং শেম্লকই। খুদম ওইনা, মখোয়না হকচাংদা য়াওরিবা অনসেচুরেটেদ ফেত্তি এসিদশিংদা লান্দাশিল্লি, অদুনা সেলশিংবু শেমগৎ-শাগৎলিবা এসিদশিংসি মখা তানা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক তৌররোই। লায়েংলিবা দাক্তরশিংনা অসিগুম্বা থৌওংশিংনা ন্যুমোনিয়া, এজমা অমসুং অতৈ শ্বর হোনবগী লায়নাশিং থোকহল্লি হায়রি। মসিনা কেন্সর ফাওবা ওইহল্লকপা য়াই মরমদি আর ও এসনসু দি এন এগী জিনেটিক মেটরিএলশিং মাঙহনবা ঙম্মী।

রিএক্টিভ ওক্সিজেন স্পেসিস খরদি হান্ননা নুংশিৎতা য়াওরিবা পার্টিকুলেট মেটরশিংদসু য়াওজরবনি, অদুগা মখোয়না হকচাং মনুংদা মপান্থোংগী ওইবা আর ও এস ওইনা শ্বর হোঞ্জিনবদা চঙলকই; অদুনা মখোয়দি শ্বর হোনবগী লম্বীদা অমুক হন্না রিএক্সন থোকপগী মথৌ তাদে। পি এস আইগী পিটর আরোন অলপর্টনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না হান্না নৈনখিবশিংনা মাস স্পেক্ট্রোমিটর শীজিন্নরগা পার্টিকুলেট মেটরশিংদা য়াওরিবা মচলশিংদু পুথোক্নবা হোৎনখি, অদুবু মখোয়গী মনুংদা য়াওরিবা মচলশিংগী চপ চাবা ষ্ট্রকচরদি খঙবা ঙমখিদে। অদুনা অলপর্টনা হেন্না কুপ্পা য়েংশিন্নবগীদমক, স্বিস লাইট সোর্স (এস এল এস) তগী শক্তি লৈরবা এক্স-রে শীজিন্নখি। মসিদগী পার্টিকুলেটশিংদা য়াওরিবা পার্টিকলশিংবু মাইক্রোমিটর অমদগী হন্থবা রিজোল্যুসন্দা উবা ঙমখি অদুবু পার্টিকলশিংদুগী মনুংদা থোক্লিবা রিএক্সনশিংদুবুদি খঙবা ঙম্লমদে। অদুনা মহাক্না পি এস আইদা এটমোস্ফিয়রগী তোঙান-তোঙানবা ফীভম কয়াবু সিমুলেট তৌবা ঙম্বা সেলগী অনৌবা মখল অমা শেমগৎলম্মী। মসিনা য়াম্না চুম্না অঙৈং-অশা, ঈশিং মনিলগী চাং অমসুং গ্যাসকা থেংনবগী চাং হোংহনবা ঙমখি। মসিদা নুমিৎ মঙালগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা অলত্রা-ভাইওলেট এল ঈ দি লাইট সোর্স অমসু য়াওরম্মী। অসুম্না সেল অসিগা রিজোল্যুসন ৱাংবা এক্স-রে মাইক্রোস্কোপিগা পূনশিন্নবা মতমদা, সেল অসি পিকচরবসু মালেমদা তোপ-তোপ্পা মফম অমা ওইনা মথৌ তৌবা ঙম্লম্মী।

মসিদগীদি, থিজিন-লূপ অসিনা পার্টিকুলেট মেটরশিংদা ওর্গানিক অমসুং য়োৎ য়াওবা পার্টিকলশিংবু মশক খঙদোকপা ঙমখি। য়োৎসি মরুভুমিগী উফুল অমসুং ভোলকেনোদগী কাপথোরকপা মৈখুদগী ফংবনি, অদুবু ইন্দষ্ট্রি অমদি গাড়ীশিংদগী থাদোরকপদি ওইরমদে। অদুগা ওর্গানিক্কী শরুক্তুনা মহৌশা অমসুং ইন্দষ্ট্রিগুম্বা মীওইবনা পাঙথোকপা থবক অনীমক্তগী থাদোরকপনি। এটমোস্ফিয়রদা অসিগুম্বা পোৎশকশিংসিনা পুনশিন্নরগা



পিটর আরোন অলপর্টনা নুংশিৎতা য়াওরিবা পার্টিকলশিংবু য়েংশিনখিবগী শক্তম। মসিদগী আর ও এসসি নুংশিৎতসু শেম্লকই হায়বা খঙলকখি।

য়োৎকী কমপ্লেক্সশিং শেমগৎলকই। কমপ্লেক্সশিংসিনা নুংশাগী মঙালগা থেংনবা মতমদা রেদিকেলশিং শেম্লক্লগা, রেদিকেলশিংদুনা অমুক নুংশিৎতা য়াওরিবা ওক্সিজেনগা পুল্লগা আর এ এস পুথোরকই।

মহৌশানা, নুংশিৎতা ঈশিং মনিল য়াম্না য়াওবা মতমদা, পার্টিকলশিংদা য়াওরিবা আর ও এসশিংদু নুংশিৎতা থাদোরকই। ঐখোয়না অসিগুম্বা পার্টিকলশিংসি হোঞ্জিল্লুরবসু থোইদোক্না খুদোংথিনীংঙাই ওইদে, মরমদি মসিদা আর ও এসকী চাং হন্থনা য়াওই। অদুম ওইনমক, নুংশিৎতা ঈশিং মনিল য়াম্না য়াওদবা মতমদা, অসিগুম্বা রেদিকেলশিংনা পার্টিকলশিংগী মনুংদা অসুম অসুম তুংশিল্লকই অদুগা মীৎকুপ খরগী মনুংদা য়াওরম্বা ওক্সিজেন পূম্নমক লৌশিনখি। মসি ভিস্কোসিটিনা থোকহনবনি। পার্টিকুলেট মেটরশিংসি নূংগুম্বা মপং নৎত্রগা ঈশিংগুম্বা মহী ওইবা য়াই, অদুবু শাবগী চাং অমসুং নুংশিৎতা ঈশিং মনিল য়াওবগী মতুংইন্না সিরপকুম্না সেমি-ফ্লুইদ, কংলবা চেৱিং গম নৎত্রগা স্বিস হর্বেল থ্রোট দ্রোপশিংগুম্না ওইরকপসু য়াই। অসিগুম্বা পার্টিকলগী ষ্টেট অসিদা রেদিকেলশিংদু পার্টিকলশিংগী মনুংদা অদুম লৈ। অদুগা মপান্দগী অহেনবা ওক্সিজেন চঙলক্তে।

নুমিৎ খুদিংগী ওইরিবা অঙৈং-অশাগী ফীভমশিং : চাংচৎকী হ্যুমিদিটিনা ৬০%গী মখাদা অদুগা শাবগী চাংনা $20^0C$ মুক ওইবদা, য়োৎ অমসুং ওর্গানিক কম্পাউন্দশিংগা পূল্লগা আর ও এস অমসুং রেদিকেলশিংগী খ্বাইদগী কুংবগী চাংশিং শেম্মী হায়বসি থিজিন-লূপ অসিনা থেংনরম্মী। মসিগী মমাঙদদি নুংশিৎতা তোয়না থেংনদবা ক্বিনোনশিংগুম্বা কম্পাউন্দশিংনা পার্টিকলশিংদা য়াওবা মতমখক্তদা আর এ এস অসি নুংশিৎতা শেম্লকই হায়না থাজনরম্বনি। পি এস আইগী থিজিনবা অসিনা অঙৈং-অশাগী ফীভমশিংনা আর ও এস শেম্লকপগী চাং খেন্নহল্লি হায়বসি থেংনরকখিবনি।

অসিগুম্বা নুমিৎ মঙালদা থোকপা রিএক্সনশিংসি অতৈ অতোপ্পা অকুপ্পা উফুলগী পার্টিকলশিংদসু থোক্লম্বা য়াই। অসুম্না নুংশিৎতা তাউদুনা লৈরিবা পার্টিকল পূম্নমক্না অহেনবা রেদিকেলশিং শেম্লম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরি। অদুনা লমসিদা মখা তানা থিজিনবগী মথৌ তারি হায়না অলপর্টনা ফোঙদোক্লি। হৌজিকমক্কী ওইনদি মখোয়গী থিজিনবা অসিনা শ্বর হোনবগী লায়নাশিং নৎত্রগা হৌরকফম ইখঙ খঙদবা কেন্সরগুম্বা থোকহনবগী মতাংদা হান্না খঙনরমদবা ফেক্টর অমা খঙলকপদি ঙমহল্লে।

আর ও এসশিংসিনা ঐখোয়দা লায়নাশিং পোকহনবা ঙম্লবসু মখোয়গী অফবা মমায় অমদি লৈ। মখোয়না এরোসোলশিংদা য়াওবা বেক্টেরিয়া, ভাইরসশিং অমসুং অতোপ্পা পেথোজেনশিংদসু লান্দাশিন্দুনা মাঙ-তাকহনবগী মগুনশিংদু মাঙহল্লি। মরম অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদসু আর ও এসশিংনা মীওইবদা কান্নবা পীরি। অতোপ্পা লোন্দা হায়রগা, সর্স-কোভ-২ ভাইরস অসি রুম টেম্পেরেচর অমসুং ময়ায় ওইরপ্পা ঈশিং মনিল য়াওবগী চাংদা কুইনা হিংবা ঙমদে। ●

# ৱর্ল্ড কপ্তা রেফরি মতিক চাদবদগী পেলে মখোঙ তেকখিবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ৱর্ল্ড কপ অনীদা মারাকানা অসি ব্রাজিলগী ত্রেনিং তৌবগী মরু ওইবা ষ্টেদিয়মনি। মফম অসিদা কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক গেমসকী ওপনিং অমসুং ক্লোজিংগী কুম্মৈ পাঙথোকখি। মদুদা পেলেনা কুমজা ১৯৬৯গী নবেম্বর ১৯দা পাঞ্জল ১০০০ চনখিদুনা মালেমদা পাঞ্জল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইনা মীয়াম্না মালেম পূম্বদা মহাকপু থাগৎনখি। অসুম্না মহাক্না নীংশিংবা য়াবা মশান্না কয়ামুক শান্নখি। খ্বাইদগী নীংশিংনীংঙাই ওইবদি মহাক্না চহী ১৬শুরকপা মতমদা ব্রাজিল লৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৫৭কী জুলাই ৭তা শান্নখিবা মেটচ অমদা অর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। নুমিৎতু ফাওবদা মহাক পাঞ্জল ৭৭শুনা চনখি। অদুবু মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অঙকপশিংদি সানটোস ষ্টেটকী অপিকপা ভিল বেলমিরোদতনি। মফম অসি লৈবাক অসিগী কোনুং Rio De Janeiro দগী মাইল ৩০০ থাপ্পী।

লৈঙাক্কী ওইরিবা মারাকানা ষ্টেদিয়মদা ভাবক ৭৮,০০০ য়েংবা য়াই। লৈবাক্কী কোনুং ওইরিবা Rio De Janeiro গী মমিং চৎলিবা ক্লব Flamengo অমসুং Fluminense কী লৈফমনি। গভর্ণরগী ৱাঙাঙলোয় ওইরিবী দেনিসি রিবাইরোনা এসোসিএসন প্রেসতা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অসুম্না হায়খি মদুদি Castro না ৱাফম অদুদা ৱারেপ অমত্তা হৌজিক ফাওবা য়াদে। মরাকানা ষ্টেদিয়ম ব্রাজিলগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নফমনি। কুমজা ১৯৫০দা ভাবক ৭০,০০০ য়েংবা য়ানবা শাখিবা অসি হৌজিক্তি ভাবক ৭৮,০০০না ফুটবোল য়েংবা য়ারে।

ষ্টেদিয়ম অসি ওফিসল ওইনদি Jornalista Mario Filho হায়না কৌই। মরমদি লৈবাক অসিগী শান্নবগী মরমদা পাউচে অমদি মেগাজিনশিংদা অইবা অমগী মমিংদা থোনখিবনি। ষ্টেদিয়ম অসিগী মমিং অসি Rio De Janeiro গী গভর্ণর ক্লাউদিও কাষ্ট্রোনা অয়াবা পীবিরল্লবদি পেলেগী মমিংদা থোনবা য়ারগনি। মসিগী মথক্তা সাও পাওলোগী এসেমব্লিনা য়ারবদি মহাক্কী মমিংদা শান্নফম অসি ওন্থোকপা য়ারগনি। শান্নবুং অসি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়ম হায়না কৌরম্মী। ঈ-পাউ ইবা মারকো ফিলহোনা শান্নবগী মরমদা ফোঙবা পাউচেশিংদা মহাক্না রাইও সিটিদা লৈবা মীয়ামদা ষ্টেদিয়ম অসি সহর ময়াদা শাবীয়ু হায়না হন্না হন্না তোয়না ফোঙদোকখি।

ফুটবোল শান্নবদা মমিং চৎলবা ব্রাজিলগী পেলেনা মহাক্কী পুন্সিগী মরমদা ইবা লাইরিক অমদা অসুম্না হায়রি মদুদি ইটলিদা মমিং চৎপা টিম খরা অমসুং মমিং লৈবা থোইদোক হেন্দোকপা শান্নরোয় খরা লৈরম্মী। মহাক্না নীংশিংবা খরদি ত্রাপাত্তোনি, ফচেত্তি, রিভেরা অমসুং জোফনানচিংবনি। কুমজা ১৯৫৭গী ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ্তা মহাক্না শরুক য়াখিবা মতমদা খঙখিবসি পিয়াতোনি, ফোনতেয়ন অমসুং কোপানি। অদুবু মখোয়গী মতুংদা প্লাতিনি, গাইরেসি, টিগাগনি অমদি মখা তারকপদা জিনেদিন জিদান, ফ্রান্স মচা রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরিবা অমা অর্সেনেলদা শান্নখিবা অদু থিয়রি হেনরিনি। পোর্টুগল মচা অফবা শান্নরোয়শিংসু রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরম্মী। পোর্টুগলগীদি ইসোবিয়ো অমসুং কোলুনা অফবা শান্নরোয়নি। মখোয়গা লোয়ননা লুই ফিগোসুনি। মসিগী মথক্তা পেলেনা য়েংখিবদা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈশিংবা শান্নরোয়দি মরাদোনা, বাটিশতুলা, রামোস দেলগাদো অমসুং অঙকপা ওইরিবা দি-ষ্টেফেনোনি। মহাক্না হায়, মী খুদিংমক্না ঐহাক্না মরাদোনাগা মতম খুদিংমক্তা চাংদম্নে। ঐখোয় অনী মরুপনি, য়েক্নবা নত্তে। মহাক্না ঐঙোন্দা টেলিভিজন প্রোগ্রাম অমা তৌমিন্নসি হায়রকপদা ঐনা হরাওনা য়াখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি মহাক্না চৎখিবা মফম খুদিংমক্তা মরাদোনাগা মহাক্না কনানা হেন্না ফুটবোল হৈবা হেনবগে হায়বা য়াম্না তোয়না তোয়না হংই।

মতাং অসিদা পেলেনা হায় মদুদি (১) কনানা খোঙ য়েৎনা কাওবদা ফজবা, হৈবা হেনবগে। (২) কনানা খোঙ ওইনা কাওবা হেনবগে । (৩) কনানা হেদ তৌবা হৈবা হেনবগে। অসুম্না মথং মথং লৈরি।

পেলেনা হায়, ফুটবোলগী ভাবকশিংদি অসিগুম্বা তশেং তশেংবা হীরম অসিদা ৱাখল তাদে। মখোয়দি মখোয়না নুংশিবা অপাম্বা অমদা উংদুনা লৈ। পেলেনা হায়, মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদুবু মরাদোনাগী টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনখি।

কুমজা ১৯৭৭কী সেপ্টেম্বর ২৭তা য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসন (য়ু এন ও) না মঙোন্দা "A citizen of the world" হায়বা সর্টিফিকেট অমা পীদুনা মহাকপু মালেম অসিগী সিটিজন্নি হায়না অয়াবা পীখি। মহাক্না ফুটবোল শান্নবদগী পোত্থারবা মতুংদা করম্বা থবক পায়খৎকনি হায়না খল্লিঙৈদা অসিগুম্বা ইকায়খুম্নবা পীরকপা অসিদা মহাক য়াম্না নুংঙাইজখি।

মহাক্না হায় মদুদি মালেম অসিদা মীওই মিল্লিয়ন কয়ামুক ফুটবোল মশান্না অসিবু পামজৈ। মহাকপু তাইবঙ শেম্বা মপুনা মশান্না অসিদা হৈ-শিংবা পীবিবা অসি য়াম্না লাইবক ফৈ অমদি মহাকপু লুনা চান্না তৌবীবা মমা অমসুং মপানা মঙোন্দা পীবিখিবা মথৌনা, নুংশিবীবগা লোয়ননা চিংখৎপীখিবা অসি মহাক্কী লাইবক ফবনি।

অমরোমদা মালেম অসিদা ফুটবোল খ্বাইদগী হৈরবা শান্নরোয়শিংগা শান্নমিন্নবা ফংবা অসি মহাক্কী লাইবক ফবা অমসুনি হায়রি। মখোয়গা শান্নমিন্নবা ফংবা অসিনা মহাক্কী শান্নবদা হৈশিংবসু হেনগৎহল্লি। ফুটবোল শান্নবা অসিনা চহী কুন হেন্না মহাক্কী থবক ওইরম্মী অদুগা শান্নবগী থবক অসিদগী পোত্থারবা মতুংদা মহাক্না মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়ামুক মালেম অসিদা পাঙথোক্লি। মহাক্না শান্নবদগী পোত্থাবা মতম অদুদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জোও হাভেলানগে (ব্রাজিল মচা) না প্রসিদেন্ট ওইনবা ভোট খোম্বদা পেলেসু অচৌবা থৌদাং লৌখি। মরম অদুনা পেলেবু ফিফাগী FAIR PLAY BOARD কী মেম্বর ওইহনখি। মহাক মশামকসু থবক অসি মঙোন্দা য়াম্না পামজবা অমা ওইখি। কুমজা ১৯৭০দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা রেদ কার্দ অমসুং য়েল্লো কার্দ শীজিন্নবা হৌখিবা অদু মহাক্না য়াম্না পামজখি। মহাক্না শান্নরিঙৈদা মঙোন্দা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়শিংনা শান্নবগী চৎনবীগী ৱাংমদা মহাকপু ইন্থুখিবা, মখোঙদা কাওশিন্দুনা নুমিৎ কয়ানিমুক শান্নবা ঙমখিদবশিং অদুগী অৱাবা নুংঙাইতবশিংদুনা মহাক্না রেফরিশিংগী ষ্টেন্দর হেনগৎহন্দুনা চৎনবীগী ৱাংমদা রুল থুগাইদুনা শান্নবা টিমগী শান্নরোয়শিংদা অকনবা চৈরাক পীনবগী কাঙলোন শেম্বা পামখি। কুমজা ১৯৬৬তা ইংলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা বলগেরিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অমদা মহাক্কী মখোঙদা কাওশিল্লক্তুনা মহাক্কী মখোঙ থুদেকখিবগীথৌওং অদু রেফরি মতিক চাখিদবনা মরু ওইবা খুদমনি হায়রি। মদু রেফরিনা মহাকপু শোক্তনবা তৌবিখিদবনি হায়রি। মহাক্না খ্বাইদগী ইকায়খুম্নখিবা শান্নরোয়দি ইংলেন্দগী ষ্ট্রাইকর গেরি লিনকরনি। মহাক্কী মতিক মগুন হায়ববু মহাক্না মালেমগী থাক্তা শান্নখিবা মেটচশিংদা 'য়েল্লো' কার্দ অমুক ফাওবা ফংখিদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।